www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,603 | 22 Carat/g : ₹ 14,855 | 1 Kg Silver : ₹ 2,60,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,600 | WEATHER: Partly Cloudy | Temperature 27/24°C | Sunrise: 04:44 AM | Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 253 | IMPHAL, SATURDAY, AUGUST 22, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, থৱানগী ১০ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

ৱাহৈদদি মীনম্বা ঙম্বা য়াই
অদুবু তৌথোরকপা থবক্লা
অশেংবদু উখোল্লক্কনি

## ‘চলো মণিপুর’ কেম্পেইন হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা খুন্দারিবা ইং তপ্পা পাম্বা কাঙলূপ ফুরুপশিংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নদুনা তুং কোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা অঙন্বা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা ‘চলো মণিপুর’ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন হৌদোকপা অদুগা মরী লৈননা ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দরদা খূৎলায়শিং ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মোরে পুলিস অমদি ৩৬শুবা এ আরগা পূন্না চত্থখিবা ওপরেসন অমদা বি পি ৭৩ য়াওনা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দরদগী য়াম্লবা খূৎলায়শিং ফঙবা ঙমখ্রে।

থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ফংবা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অদুদি মেগজিন য়াওনা এন ১৫ রাইফল ১, মেগজিন ...মখা লমায় ৫দা...

## প্রিপাক্কী এক্টিভ মেম্বর অনী ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম অমনা সর্চ ওপরেসন চত্থবদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাই ময়াদগী প্রিপাক্কী এক্টিভ কাদর ১ ফারে হায়রি।

পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অসিগী মতুং ইন্না সি দি ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিমনা ফারবা প্রিপাক্কী এক্টিভ কাদর অদুগী ...মখা লমায় ৫দা...

## চেন্নবশিংদি ফাদবা য়ারোইঃ জে এ সি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা জুলাই ৫দা খেকমন নিংথিবী খোংবালদা মীহাৎ থিনা হাত্তোকপীখ্রবা থৌবাল লৈশাংথেম কেলিমখোঙদগী লৈখিদ্রবা সাপম স্বামীগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা ওগষ্ট ২১দগী অকনবা খোঙজং চত্থরগনি হায়না তৌরম্বা অদু লমদম অসিগী ওইরিবা ইরাং অসিনা অমদি ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

নোইনা ঐখোয়বু পোপ পোপ থোল্লগা হাৎলিবদুগী লাইনা ৱারক্লিবনি কুকিনা নখোয়বু কাপ কাপ্পুনা হাৎলিসে



মানা হায়রিসিবু চুমজাৎলনে, লালসি সুক্লোই লোইদ্রিসে

## হেক্তা হায়জিনবা

### লৈবাক মাঙহন্দনবা লাইৱা

লৈবাক মাঙহল্লোই হায়রদি
শেল পায়বনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
থিকাদারনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
সপ্লাইয়রনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
চেঙ লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
চেক্কোন মপুনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
নোংমৈ পায়বনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
গ্যাস পান্নবনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
থাউ লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
নিশা লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌদৌনি
লৈবাক মাঙহল্লোই হায়রদি
তৌশিন্নবৈ এক্টিং হৈদৌনি
লৈবাক নুংশিবা শাদৌনি
চিনফেন য়ান্না ফদৌনি
মীনম্বা য়ান্না ঙাংদৌনি
ওইদ–পাদা হৈদৌনি
ৱাশকপা য়ান্না কন্দৌনি
লাউথোকপা লেপ্লোইদৌনি
অচুম্বা পাম্বা শাদৌনি
মশা থাগৎপা কাউরোইদৌনি
লৈবাক মাঙহল্লোই হায়রদি।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎখিবা নুমিৎ ১০০নি শুখ্রে

# দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংদা থৌশাদ্রবদি থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈঙাক মপুগী থোঙ্গালদা থল্লগনিঃ চেয়রমেন

‘খোঙজংলোইশিংদা অহেনবা এক্সন চত্থরক্লবদি নাগাশিংনা তুমিন্না লৈরোই’



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ নাগা মীচম ৬ কুকিনা হাৎখিবগী অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়দুনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি টিয়ার গ্যাস সেল খরনা নমথবা ঙম্লোই। পাম্বৈ লৈরক্ত্রবদি জেনিমসকী মীরেলশঙদা থল্লিবা নাগা ৬কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং লৈঙাক মপুগী থোঙ্গালদা থল্লগনি হায়না কোন্সাখুলগী চেয়রমেন অদাম দরিনামৈনা লৈঙাক্তা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

চহী অসিগী মে ১৩দা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপ কে এন এফ–পি অমদি লৈলোন ভাইফেগী খুঞ্জাশিংনা ফারবা মতুং মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা কোন্সাখুলগী নাগা মীচম ৬ লৈখিদবা নুমিৎ ১০০ নি মপূং ফারকপগা মরী লৈননা সোলিদরিটি প্রেয়র কম মিটিংগী থৌরমদা পাঙথোকখ্রে।

লিয়াংমাই পুই নাগা রুংদি, ইম্ফাল য়ুনিটনা শীল্লিগা জেনিমস মোর্গকী ৱেটিংসেদতা পাঙথোকখিবা সোলিদরিটি প্রেয়র কম মিটিংগী থৌরম অদুদা মহাক্না হায়, মরাল লৈজদবা নাগা মীচম ৬ লৈলোন ভাইফেগী খুঞ্জাশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা লৌতুনরগা তমথিনা হাৎতোকপীখিবা অদু ঙসি নুমিৎ ১০০নি মপুং ফারে। অদুবু লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা খঙশিন–উশিন্নদনা, কাওথ্রগা তুমিন্না লৈজখিনি হায়বগী মওং দা লৈথোকপা অসি লিয়াংমাই পুই নাগা রুংদিনা য়াম্না ৱারৌই। মীহাৎ অসিদা মরু ওইনা চেন্নরিবশিং ফাবিয়ু হায়দুনা মখল মখা কয়াগী এজিটেসন পাঙথোকখ্রে। অদুবু মীহাৎ অদুদা হকথেংননা চেন্নবশিং ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা ফাবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী অশোনবা লোৎশিন্নবা হোৎনবদা দেমোক্রেটিক ওইনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংদা টিয়ার গ্যাস সেল কাপশিন্দুনা অমদি লাথি চার্জ তৌদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

# সি এমনা লাউথোকখিবা মতুং ইন্না ইম্ফাল–দিমাপুর–গুৱাহাটি বস সার্ভিস হৌখ্রে

## নম্ফুদা লম্বী হাংদোকপা ত্রাইবেল রাইট খোঙ্গাওনবনিঃ কে ঐচ আর সি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা নেসনেল হায়ৱেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈরক্ত্রবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা কাংপোকপীদা চৎলগা হায়ৱে হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ঙসি ইম্ফাল–দিমাপুর, ইম্ফাল–গুৱাহাটি বস সার্ভিস নৌহৌননা হৌদোকখ্রে।

নম্ফুদা নেসনেল হায়ৱে ২ হাংদোকপা অদুগা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট নৌনা চৎহনখিবা অসি দেমোক্রেসিবু করেম্নবনি, ত্রাইবেল রাইটস খোঙ্গাওনবনি হায়না কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (কে ঐচ আর সি)না কন্দেম তৌরক্লি।

চহী অহুমগী মতুংদা ঙসিদগী অমুক হন্না ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পেসেঞ্জর পূবা বসশিং চৎপা হৌখ্রে। বস চৎপা হৌদোকপা অদুদা এম এল এশিং টি রোবিন্দ্রো, এল রামেশ্বর অমদি ...মখা লমায় ৫দা...

## সেক্যুরিটিনা উৎখিবা কা হেনবা থৌওং কন্দেম তৌইঃ কোকোমি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈলোন ভাইফে খুনদা লিয়াংমৈ মীচম ৬ কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা ফারগা তমথিবা মীহাৎতা হাৎখিবা থৌদোক্কী জষ্টিস ফংহল্লু হায়না ঙরাং নমদিলোংদা লিয়াংমৈ নাগাশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী কা হেনবা থৌওং চত্থবদা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোকপু কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমী) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

কোকোমীগী আই পি আর সব কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, নাগাশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা মীওই ৪ ফাজিন্দুনা থল্লগা নুমিদাং অথেংবদা থাদোকখিবা অদু মীয়াম্বু হেন্না শাওহন্নবা অমদি জষ্টিস ফংনবা তাল্লিবা দিমান্দ অসিবু অরানবা তাহন্নবা ...মখা লমায় ৫দা...

## কৈদৌনুংদা হৌরকফম কাওরোইদবনিঃ সি এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ কৈদৌনুংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌরকফম কাওরোইদবনি। লোয়ননা মণিপুরী অমা ওইনা মতম পূন্নমক্তা চাওথোকচগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

এন এস দি সি ইন্টরনেসনেল একাদেমিদগী জপানিজ লেংগ্বেজ তম্বা লোইরবা অমদি জপান্দা থবক ফংলবা কেন্দিদেট ১৬ সি এম বঙ্গলোদগী ফ্লেগ ওফ তৌবগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

জপান্দা চৎখিবা কেন্দিদেট ১৬ অদু দিপার্টমেন্ট ওফ স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ট্রপ্রেনিয়রসিপ (এস এল ই ই) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মনুং চন্না পায়খৎপা থৌরাং অমনি। থৌরম অদুদা সি এম খেমচান্দনা মখা তানা হায়, জপান্দা লৈরবসু ঐখোয়গী হৌরকফম মতম পূন্নমক্তা নীংশিংঙু। ...মখা লমায় ৫দা...

## এন আর সি তৌরকপগী থাজবা লৈ, তৌরকপা মতমদা কাঙলোন চুন্না তৌহন্নবা হোৎনহৌসিঃ জয়কুমার




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা মীয়াম অমসুং সি এস ওশিংনা তাল্লক্লিবা এন আর সিগী দিমান্দ বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক্লা পীরকপগী ওইথোকপা লৈ। এন আর সি তৌরে হায়দুনা মদুনা মণিপুরগী ইশ্যু লোইগদবা নত্তে। এন আর সি তৌই হায়দুনা কাঙলোন চুন্না তৌহৌদ্রবদি হেন্না অকায়বা লাক্কনি হায়না পিপলস দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (পি দি এ)গী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

নো এন আর সি নো সেন্সস, নো নোর্মেলসি নো সেন্সস, এন আর সি অপদেটসন বিফোর সেন্সস, নো আই দি পি সেটলমেন্ট নো সেন্সস হায়বা বেনর মখাদা নাওরেমথোংদা লৈবা পি দি এগী ওফিস মমাঙদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মহাক্না হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরগা মণিপুরদা ...মখা লমায় ৫দা...

## মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবদা অকিবা লৈতে পান্নিংবা এফ আই আর পানসনুঃ জিতেন্দ্র



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ এন আর সি দিমান্দ মীয়ামগীনি, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদা অকিবা লৈতে। পান্নিংবা এফ আই আর পাঞ্জসনু হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা এন আর সি হান্না অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বগী মথক্তা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনা সম্মোন থারকখিবা অদুগী মতাংদা মশা চৎতুনা এস পি উনদুনা ৱারি শারুরবা মতুং পাউমীশিংগা উনবা জিতেন্দ্রনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী থবক তৌবা মতমদা ভাইওলেন্স য়াওদনা থবক তৌবিয়ু। লোয়ননা য়ারিবমখৈ পুলিস ষ্টেসনশিংদসু পাউ ফাওবিদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফম পুলিসকী মায়কৈদগী থল্লকখি। অদুম ওইনমক জে এফ দি অমদি লমদম অসিগী মীয়ান্নসু এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং ...মখা লমায় ৫দা...

## কেবিনেটনা সমগ্র শিক্ষাগী ষ্টাফ অমদি টিচর লৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং এপ্রুভ তৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেবিনেটকী মীফম্না সমগ্র শিক্ষা মণিপুরগী ষ্টাফ অমদি ওজা ৭৪২ কন্ত্রেক্তা লৌনবগী ফিরেপ চেৎশিলহনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংসু এপ্রুভ তৌখ্রে।

কেবিনেটকী মীফম অদুনা ইন্টিগ্রেটেদ সিৱরেজ সিষ্টেম ফোর সিটি ওফ ইম্ফাল ফেজ টুগী এক্সটেন্সন তৌবগী প্রোজেক্টসু এপ্রুভ তৌখ্রে। লোয়ননা মণিপুর আউটষ্টেন্দিং স্পোর্টস পার্সন (স্পেসিয়েল এপোইনমেন্ট) পোলিসি ২০২৬, দিরিগুলেসন ওফ চেঞ্জ ওফ লেন্দ য়ুজ (সি এল য়ু), মণিপুর ত্রেজরি রুল (এম টি আর) ২০২৬, রিজর্ভেসন পোলিসি ফোর ইমপ্লোয়মেন্ট ওফ এক্স অগ্নিবীর ওফ মণিপুর ষ্টেট, মণিপুর ফায়র এন্দ ইমর্জেন্সি সার্ভিস ২০২৬, তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা ...মখা লমায় ৫দা...

## দিল্লি চঙখিবা মীহুৎ কাংবুনা টেক্সটাইল মিনিষ্টরদা এন আর সি তৌনবা তকশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি অপদেট তৌনবা সেন্ত্রেল লিদরশিংদা তকশিল্লুনবা দিল্লিদা চৎখিবা এম এল এ ৫না শাবা টিমনা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ টেক্সটাইল গীরিরাজ সিংহগা উনদুনা মণিপুর মীয়ান্না পাল্লিবশিং থবক্তা ওন্থোকপদা মতেং পাঙবিনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি অপদেট তৌনবা মীয়ান্না তাল্লিবা দিমান্দ থবক্তা ওন্থোকপদা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়রি।

হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, লল্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ কে ঐচ ইবোমচা, কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন, উরিপোক এ সিগী এম এল এ কে ঐচ রঘুমনি অমদি ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন য়াওবা টিম অদুনা হয়েংদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্টর বি জে পি লিদরশিং মথং মথং উননবা শেমশারে হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা য়াওরিবা এম এল এশিংগী ...মখা লমায় ৫দা...

## ইহৌ নমথনবা মহৈলোইশঙ ছুটি থাদোকপা লাইবক থীবনিঃ ষ্টুদেন্ট ৱিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ নো এন আর সি নো সেন্সসকী ইশ্যু অসিগা মরী লৈননা জে এফ দিনা খোঙজং চঙশিল্লকপদা এজুকেসন, হেল্থ, ৱাটর অমদি ইলেক্ট্রিসিটি কোমথোক্তুনা চঙশিল্লক্লি। মসিদা লৈঙাক্লা ওগষ্ট ২০দগী ২২ ফাওবা মহৈলোইশঙশিং ছুটি থাখিবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) ষ্টুদেন্ট ৱিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি সোইবম লৈকাইদা লৈবা সিটিজেন ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এফ দি ষ্টুদেন্ট ৱিংগী কনভেনর নাওরেম ৱাঙম্বনা হায়, মাঙদা তাদুনা লৈরিবা ইশুশিং অসিগীদমক চঙশিল্লকপদা ইহৌ অদুবু নমথনবা ...মখা লমায় ৫দা...

## চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌগদবনিঃ জি আই জি এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা এন আর সি পাঙথোক্লবা লৈঙাক্লা চপ চাবা ফিরেপ অমা অকক্লবা মতমগী মনুংদা লৌগদবনি হায়না গ্রেটর ইম্ফাল গোরখা এসোসিয়েসন (জি আই জি এ)না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট অজয় ছেত্রি অমদি সেক্রেটরী দিপক অলেনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘ফোর্স শীজিন্নদুনা খোঙজংলোইশিংদা চত্থখিবা থৌওং কন্দেম তৌরক্লি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ নাগা মীচম ৬ মীহাৎকী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখিবা খোঙজংলোইশিংদা মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নদুনা চত্থখিবা থৌওং দিল্লি মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সি সি)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীহাৎ থিনা হাত্তোকপীখ্রবা নাগা ৬কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিংগী মথক্তা মশীং য়াম্লবা সেক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নদুনা চত্থখিবা থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদে। অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়দুনা পিছফুল ওইবা মওংদা খোঙজং ...মখা লমায় ৫দা...

## সেক্যুরিটিগী অহেনবা থৌওংনা মীচম কয়া শোকহনখিবা য়ানিংদেঃ অমুকো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল, ফুট হিলস নাগা কো–ওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি নেটিভ পিপলস কম্মিটিনা লৈলোন ভাইফেদা আর্মদ মিলিটেন্টশিংনা ফারগা তমথিনা হাৎখ্রবা লিয়াংমৈ মীচম তরুক্কী মীহাৎ, লোইননা লক্কা লিয়াংমৈ খুনগী মীচম অনী হাৎখিবদা চেন্নরিবশিং ফাগদবনি অমদি মীহাৎশিং অসিগী জষ্টিস ফংহনদবনি হায়না মশিং য়াম্লবা য়েলহৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা কংলাতোংবীদগী হৌরগা নমদিংলোং ফাওবা রেল্লি চৎপদা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল কম্বাইন্দ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মীচম মীয়ামগা মুক্লবদা সেক্যুরিটিশিংনা টিয়ার গ্যাস সেল অমদি রব্বর বুল্লেট কাপথোরকপদা অশোক অপন নংহনখিববু ওল মণিপুর ...মখা লমায় ৫দা...

## নিঙোম্বম ইরাবন্তদা এক্সল্লেন্স ইন ওন্ত্রাপ্রেনরসিপ এৱার্দ ২০২৬ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ইকোনোমি দিভেলপমেন্টদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা য়ুনাক্কো গ্রুপকি চ্যেরমেন এন্দ এম দি নিঙোম্বম ইরাবন্তদা এক্সল্লেন্স ইন ওন্ত্রাপ্রেনরসিপ এৱার্দ ২০২৬ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

এৱার্দ অসি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পস রিক্রুটমেন্ট এন্দ প্লেসমেন্ট সেল এন্দ দি ওন্ত্রাপ্রেনরসিপ দিভেলপমেন্ট সেল, দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সনা শীন্দুনা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্দ ওন্ত্রাপ্রেনরসিপ দে ২০২৬ গী থৌরমদা লান্থোকখিবনি। থৌরম অদু শেপিং মণিপুর ওন্ত্রপ্রেন্যুরিএল ফ্যুচর হায়বা ঠিমদা পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রো. দব্লিয়ু সি সিংহ, য়ুনিভর্সিটি অসিগী স্কুল ওফ বিজিনেস ষ্টদিজগী দিন প্রো. এন জয়ন্তি, দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকি প্রিন্সিপাল প্রো. কেঐচ রাজেন, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকি প্রিন্সিপাল অমদি স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন প্রো. এস লনচেনবা মৈতৈ অমদি ষ্টেট খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ কম্মিসন, মণিপুরগী দেপ্যুটি দাইরেক্টর সল্লে অসুলি পাওনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জে সি আর ই গ্রুপকি চ্যেরমেন এন্দ এম দি ...মখা লমায় ৫দা...

## প্রিপাক্কা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী আগষ্ট ১৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দো কাংবু অমনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়না মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট, পাউচে, ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিওনচিংবদা য়াওখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলবন্দ থিংঙোম লৈকায়দগী নিংথৌজম দেবেন মৈতৈ (৫৫) এলাইজ লকি অপোকপা লৈখিদ্রবা কুঞ্জবাবু মৈতৈ অমসুং সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী খাইদেম গান্ধি মৈতৈ (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা মোহিন্দ্রা মৈতৈ হায়রিবা মীওই অনী অসি প্রিপাক অমসুং ...মখা লমায় ৫দা...

## ইন্দিয়ান আর্মিনা য়ুমগী গেট থীন্দুনা অকি–অখঙ পীবিগনুঃ বিমোলচান্দ



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ান আর্মিগী পার্সনেলশিংনা মরম চাদনা মীচমগী য়ূমগী গেট থিন্দুনা অকি–অখঙ পীবিগনু হায়না কুম্বি পি এসনা কোনবা ৱাঙু অহল্লুপ মখা লৈকায়গী অমোম বিমোলচন্দনা আপিল তৌরক্লি।

য়ুম্থু ওইরিবা অমোম বিমোলচান্দনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি নুংথিল চাউরাক্লা পুং ২.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা ইন্দিয়ান আর্মিগী পার্সনেল খরা লাক্লগা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদনা গেটতা কয়ারক হন্না থিল্লমখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# ভোট বেঙ্ককীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিতমক শকপগী ৱারেপ লৌখিবগী থৌওং এন্টি–নেসনেলনি





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্কিং কম্মিটি (সি দব্লিয়ু সি)না লৈবাক অসিগী নেসনেল সোং ৱন্দে মাতরমবু ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক শকপা হায়না ৱারেপ লৌখিবগী থৌওং এন্টি–নেসনেলনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক শকপগী ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ভিদিও মেসেজ অমদা হায়, হৌখিবা ১৯৩৭দা লৌখিবা ৱারেপতা যূমফম ওইদুনা লৈবাক অসিগী নেসনেল সোঙ ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক শকপা হায়না কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপ অসি এন্টি–নেসনেল ওইবা ৱারেপ অমনি।

কোংগ্রেস পার্টিনা ৱন্দে মাতরমগী মতাং দা লৌখিবা ৱারেপ অসি লৈবাক মীয়াম্না খঙজিনগদবদি মতম অদুদা লৌখিবা ৱারেপ অদু মুস্লিম মীয়ামদা যূমফম ওইরগা লৌখিবা ৱারেপ অমনি।

ৱারেপ অদুনা ৱন্দে মাতরমবু মচেৎ তানা থুগাইদুনা লৈবাক অসিবু পার্টিসন অনি থোক্না খায়দোকখিবনি।

ৱন্দে মাতরমগী মতাংদা লৈবাক অসিগী হৌখিবা পুৱারিদা শোয়দুনা লাকখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি চুমথোক্তুনা লৈবাক অসিগী ইন্টিগ্রিটি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরক্লি।

লৈঙাক্না শিন্দুনা লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা ৱন্দে মাতরমবু মপুং ফানা শক শোনগদবনি হায়বগী লো ফাওবা নৌনা শেমখিবা লৈখ্রে।

অদুবু কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক শকপগী ৱারেপ লৌখিবা অসি লৈবাক অসিগী লোগী মায়োক্তা লৌখিবা ৱারেপ অমনি।

ভোট বেঙ্ককীদমক কোংগ্রেসনা লৌখিবা ৱারেপ অসিনা ৱন্দে মাতরমগী অইবা বঙ্কিম বাবুবুসু ইকায়বা পীবগী থৌওং চথুরি। অসিদা নৎতনা লৈবাক অসিবু নিং–খা তম্বা লৈবাক অমা ওইননবগীদমক বৃটিশকী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজংশিংদা শরুক য়াবগীদমক জেলদা মীয়াৎ তাদুনা অৱাবা চৈথেং খাংখিবা লৈখিদ্রবা লৈবাক নিংবা মীয়ামগী থৱাইশিংদসু ইকায়খুন্নদবগী থৌওং অমনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ১৯৩৭দা লৌখিবা রিজোলুসন অদুবু মখা তানা চৎনদুনা হৌজিক লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টকী লো অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা ৱারেপ লৌখিবা অসি অঙকপা অমনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লৈবাক অসিদা এপিসমেন্ট পোলিটিক্স চথুদুনা লৈরে। ৱন্দে মাতরমবু মচেৎ তানা থুগায়বগী লৌখিবা ৱারেপ অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসি পার্টিসন অনি থোক্না খায়দোক্লখিবগী চৈথেং লৈবাক মীয়াম্না ঙসিসু মায়োক্লদুনা লৈরি হায়বা অসি মীয়াম্না নিংশিংদুনা লৈরি।

কোংগ্রেস পার্টিনা ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক শকপা হায়না নৌনা ৱারেপ লৌখিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম পূন্নমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মফমদা এপিসমেন পোলিটিক্স চৎনবগী মতম নৎত্রে হায়বা উৎকদবনি।

হৌখিবা চহী ১৯৩৭দা কোংগ্রেস পার্টিনা লৌখিবা অশোয়বা ৱারেপ অদুনা শাংলবা চহি কয়া চুমথোক্তুনা লৈরকখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱন্দে মাতরমগী মতাংদা লৌখিবা অচুম্বা ৱারেপ অসি লৈবাক মীয়াম্না শৌগৎতুনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্নবা মথৌ তারে।

কোংগ্রেস পার্টিনা লৌখিবা ৱারেপ অসিগী মতাংদা বি জে পিগী মায়কৈদগী মীয়াম অমদি লেজিসলেটিব এসেমব্লি অনিমক্তা বি জে পিনা মায়োক্তা লেপলি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি ৱন্দে মাতরমগী ষ্টেঞ্জা অনিখক্তমক কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা শক শোনবা হায়না নৌনা ৱারেপ লৌখিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখিবসু লৈখ্রবনি।

# পি এম মোদিনা স্পেস ষ্টার্টঅপশিংগা উন্নদুনা মালেমদা লৈবাক অসিবু স্পেস টেক্নোলোজি হব ওইনবা পুক্নিং থৌগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
স্পেস টেক্নেলালোজিগী লমদা থবক তৌরিবা লৈবাক অসিগী স্পেস ষ্টার্টঅপ কম্পেনিগী সি ই ও অমদি ফাউন্দরশিংগা উন্নদুনা মালেমগী ওইনা লৈবাক অসিবু স্পেস টেক্নোলোজিগী লমদা গ্লোবেল হব অমা ওইনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী সেবা তিরথাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা স্পেস ষ্টার্টঅপ প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা স্পেস টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট কয়া দেমোনষ্ট্রেট তৌখিবা অদুবু শিংথারদুনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা স্পেস টেক্নোলোজিগী লমদা নৌনা খোঙ থাংজিন্দুনা থবক তৌরক্লিবা অসিনা লৈঙাক্না স্পেস টেক্নোলোজিবু চাওখৎহন্নবগী চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অমুক্না হেন্না খুমাঙ য়াংশিনবা ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান তোঙানবা ইসুশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক কয়াদা স্পেস টেক্নোলোজিগী লমদা খুমাঙ য়াঙশিন্না চংশিনবা ঙমদবা অসিগী খুদোঙচাবা লৌদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্পেস ষ্টার্টঅপ প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা মালেমগী ওইনা লৈবাক অসিবু স্পেস টেক্নোলোজি হব অমা ওইননবা থবক তৌবা তঙাইফদে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্পেস ষ্টার্টঅপ কম্পেনিশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পূন্নমক পাংগনি। ষ্টার্টঅপ কম্পেনি অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা তুনা চৎমিন্নদুনা লৈবাক অসি স্পেস টেক্নোলোজি হব অমা ওইনবা হোৎনসি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রোকেট, সেটিলাইট, স্পেস এন্দ দিফেন্স ইন্টিলিজেন্স, স্পেস ডেব্রিস রিমুভেল, এ আই পৱার হায়দ্রো লোকেল ৱেদর অমদি ক্লাইমেট ইন্টিলিজেন্সনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্পেসকা মরী লৈনবা সেক্টরশিংদা থবক তৌরিবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টার্টঅপ কম্পেনি পূন্না শরুক য়াখি।

# লুপা ৫০,০০০ পীদ্রবদি হাৎকনি হায়না কিহল্লম্বা পুলিস ফারে

লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
লুপা ৫০,০০০ পীদ্রবদি হাৎকনি হায়না কিহল্লম্বা হৌজিক হৌজিক দিসমিস তৌদুনা লৈরিবা পুলিস কনষ্টেবল অমা য়ু পি পুলিসনা ফাখ্রে।

য়ু পি পুলিসনা ফারবা পুলিস কোনষ্টেবল অদুগী মমিং রোশন রাজা (৩৭) কৌই। কুসিনগর দিষ্ট্রিক্টতগীনি। হৌজিক হৌজিকনা মোহনলালদা লৈবা পুলিস কনষ্টেবল অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লক্ষ্ণৌ পুলিসকী মতুং ইন্না মোহন লালগন্সদা লৈবা মনিস সিংহ কৌবা মীওই অমনা হৌখিবা থা অসিগী ১৫দা হান্না য়ু পি পুলিসতা কনষ্টেবল ওইনা থবক তৌরম্বা রোশন রাজা কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী মথক্তা লুপা ৫০,০০০ পীদ্রবদি হাৎকনি হায়না কিহন খঙহল্লকপ চথুরে হায়দুনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌরকখ্রবা মতুং য়ু পি পুলিসনা রোশন রাজাবু ফাদুনা মহাক্কী মথক্তা বি এন এস সেক্সন ৩০৮ (৬) অমদি ৩৫১ (৩) গী কেস অমা নৌনা রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

## সনা–সুদোকু–১০৫৬গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 6 | 3 | 1 | 9 | 8 | 4 | 2 |
| 8 | 1 | 2 | 4 | 5 | 6 | 7 | 3 | 9 |
| 4 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 6 | 1 |
| 2 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 | 6 | 7 | 4 |
| 5 | 7 | 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 9 | 3 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 2 | 3 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 6 | 4 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 2 | 7 | 6 | 3 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 1 | 8 | 5 | 9 | 4 | 7 | 3 | 2 | 6 |

# নৌনা পাস তৌখিবা মাইনিং বিলগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা সুপ্রিম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া লৈঙাক্না হন্দক পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা নৌনা পাস তৌখিবা মাইন্স এন্দ মিনরেলস (দিভলপমেন্ট এন্দ রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৬ অদু ষ্টেট লৈঙাক্কী লৈরিবা লো ভাইওলেট তৌই হায়দুনা কোংগ্রেস পার্টিনা সুপ্রিম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌগদৌরি।

কোংগ্রেস পার্টি অমদি পার্টি অসিগা চৎমিন্নদুনা লৈঙাকপা কর্নাতকা, টেলঙ্গনা, হিমাচল প্রদেশ অমদি ঝরখন্দা লৈবা মাইন্স এন্দ মিনরেল বোর্দকী মায়কৈদগী মাইনিং লোগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

কর্নাতকাগী দিপুটি চীফ মিনিষ্টর পি পরমেশ্বরাগী মায়কৈদগীসু নৌনা পাস তৌখিবা মাইনিং বিল অদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বিল অসিবু হন্দাক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অয়ীবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখিবসু লৈখ্রে।

কেরলাগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ভি দি সাথিসননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা পাস তৌখিবা মাইন্স এন্দ মিনরেলস (দিভলপমেন্ট এন্দ রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি ফেদরেল প্রিন্সিপলগী মায়োক্তা লৈবা বিল অমনি, মরম অদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা কর্নাতকা লৈঙাক্না লেপ্লি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি য়ুনিয়ন মাইন্দস মিনিষ্টর জি কিসন রেদ্দিনা বিল অসিগী মতাংদা রাজ্য সভাদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লৈরিবা ওটোনোমি নৎত্রগা রিভিন্যু রাইট অমত্তদা অকায়বা পীবা লৈতে। শুন্নতগী লৈবাক অসিদা মিনরেলগী মমল অসি চপ মান্নবা মমলদা লেপ্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুথোরকখিবা বিল অমনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

# দিজিটেল অমদি টেলিকোমগী মরি কনখৎহন্নবা ইন্দিয়া অমদি ব্রাজিলগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
ইন্দিয়া অমদি ব্রাজিলগী মরক্তা লৈরিবা টেলি কম্যুনিকেসন এন্দ ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই সি টি)গী মরী অসি অমক্কা হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা নাকল অনিগী মরক্তা নৌনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসনগী মায়কৈদগী এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা পুনেদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা ব্রিক্স কম্যুনিকেসন মিনিষ্টর মীফমগী খুদোঙচাবা লৌদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কম্যুনিকেসন জোতির অদিত্যা এম সিন্দিয়া অমদি ব্রাজিলগী মিনিষ্টর ওফ কম্যুনিকেসন ফ্রেদেরিকো দি সিক্কেরা ফিলহোগী মরক্তা এম ও য়ু অদু খূৎয়েক পীনখিবনি। খূৎয়েক পীনখিবা অসিনা দিজিটেল ইন্নোভেসন, দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মতমগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা টেক্নোলোজিগী লমদা পূন্না থবক তৌদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা অফবা মরী অসি অমুক্কা হেন্না খোঙফম চেৎশিনহবা হায়বা ৱাফম কয়াসু য়াওরি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসনগী মায়কৈদগী মখা তারক্লি।






# ন্যু দিল্লিদা স্বাইন ফ্লু পাকশন্না শন্দোরকখ্রে, হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা রিভ্যু মিটিং পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী কেপিটেল ন্যু দিল্লিদা ঐচ১ এন১ ভাইরস (স্বাইন ফ্লু)গী লায়না পাক শন্না শন্দোরকখ্রে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙবা খ্বাইদগী নৌবা দাটা অমগী মতুং ইন্না ন্যু দিল্লিদা ঐচ১ এন ১ ভাইরস নৎত্রগা স্বাইন ফ্লু হায়না খঙনরিবা ভাইরস অসিনা ইনফেক্সন তৌবা কেস ১,৭০০ থেংনখ্রে। হায়রিবা অপূনবা স্বাইন ফ্লুগী কেস অসি হৌখিবা চহী ২০২৫কা য়েংনরুবদা শরুক ৬ হেন্না হেনগৎপা থেংনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।


নুংশাগী মৈশা অমদি হোংলক্লিবা নোং–চীংগী ফিভম অসিগী মরক্তা স্বাইন ফ্লু কেস পাকশন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা চিয়ার লৌদুনা রিভ্যু মিটিং পাঙথোকখ্রে।

রিভিয়ু মিতিং অদুদা স্বাইন ফ্লু পাকশন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী মতাংদা মরীলৈনবা হেল্থকিয়ার ফেসিলিটিশিংনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দাইগ্নোষ্টিক অমদি ট্রিদমেন্ট ফেসিলিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা মরীলৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

মীফম পাঙথোকপা লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা জে পি নদ্দনা হায়, ন্যু দিল্লিদা থেংনরিবা স্বাইন ফ্লু কেস অসিদা ন্যু দিল্লিদগী পেসেন্দনা কয়ানো অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী ন্যু দিল্লিদা লাকপা পেসেননা কয়ানো হায়বা চপ চানা খঙবা লৈত্রি। অদুবু স্বাইন ফ্লুনা ইনফেক্সন তৌরবা পেসেন ফুদিংমক মরীলৈনবা ওথোরিটিনা লেপ্তুনা অনা লায়েং চথুরি। পেসেন্দ কয়া অমদি অনা–লায়েং অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌবা ফাওবা লৈখ্রে।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্বাইন ফ্লুনা নারবা পেসেন্দ খুদিংমক মথৌতাবা অনা লায়েং চথগনি। মীয়াম্না হিরম অসিগী মতাংদা থোইদোক্না মিপাইনিঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা দেল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর পঙ্কজ সিংহনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌতাবা খুদিংমক পায়খৎতুনা স্বাইন ফ্লু মায় পাক্না থেংনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।



# Crossword # 1123

Across
1. Spreadsheet filler
5. Takes to the cleaners, so to speak
10. 1963 role for Liz
14. Some performers' problems
15. Action locus
16. Cry of discomfort
17. Young series
20. MPG raters
21. It may be Dutch
22. Buenos ___
23. Linked, in a way
25. Star starter
26. Moving sight?
27. Anthropoidal creatures
32. Detractor
35. Park Avenue, e.g.
36. Reminiscence word
37. June's advice?
41. Trophy part
42. Part of a flight
43. In the cellar
44. Type of roll
46. Sea extension
48. "Platoon" setting, briefly
49. Purge, as bad thoughts
53. Post-game show
56. Plains Indian
58. First name in advice-giving
59. Ricky's parents
62. Kind of hygiene
63. Racing event
64. Till the end of time
65. Olympus Mons site
66. Kids with curfews
67. "___ funny. Ha, ha!"

Down
1. Put off
2. Visibly astonished
3. Aggregate
4. Hockey stick wood
5. Nonproductive
6. Ticked off
7. Musical Horne
8. Group of toads
9. Word with whip or rip
10. Shepherd of "Moonlighting"
11. Lounge lizard's look
12. Ultimatum ender
13. Stops being indecisive
18. Blues singer James
19. Type of solution
24. Tel ___
25. Stately steed
27. See the light
28. Garlic trait
29. Hot rock
30. Gets mellow
31. Collate
32. Knighted Guinness
33. Within view
34. Gross minus net, to a trucker
35. First name in slapstick
38. Con's preoccupation
39. Gossip tidbit
40. ___ mater
45. Slow movers
46. Irving Berlin classic
47. Kind of admiral
49. One-time "King of Broadway"
50. Easily conned
51. Display disdain
52. Diary bit
53. Board's partner
54. Pound of literature
55. Ivan, for one
56. It may be slapped
57. Like some chatter
60. Public hanging?
61. Abbr. for Jesse Jackson

পাউখুম লমায় ৭দা ...






# উরান স্কিম পাকথোক চাওথোক্লবা লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ২৮,৮৪০গী শেনফম থাদগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী এয়ার কনেক্টিভিটি পাকথোক চাওথোক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না পায়খৎলিবা উরান স্কিম অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লাক্লিবা চহী ১০ অসিদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ২৮,৮৪০ গী শেনফম থাদরগনি হায়না য়ুনিয়ন সিভিল এফিয়ারস মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদু কিঞ্জারাপুনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর রাম মোহন নাইদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা এয়ার কনেক্টিভিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক মহিসুরুদা সিভিল এভিয়েসন কন্সলটেটিব কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

খন্নবা অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এয়ার কনেক্টিভিটিগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি নৌনা শেমদোক শাদোক্লবদি এয়ার কনেক্টিভিটিদা মতৌ করম্না পাকথোক চাওথোক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক মীয়ামদা কান্নবা ফংহনগনি হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফ্লেকসিপ স্কিম অমা ওইরিবা উরানগী মখাদা লাক্লিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা এয়ার কনেক্টিভিটি পাকথোক চাওথোক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২৮,৮৪০গী শেনফম থাদনবগী ৱারেপ লৌবসু লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।


## NOTICE
Date:- 17/08/2026

It is to inform to the members of the Asiatic Mangoloid Educational Sports Social Cultural Organisation, Regd. No. 22 of 2009 that a Special General Body Meeting will be held on 27th August, 2006 at 11:00 am at Mini Stadium, Thoubal Ningombam to Transact the following agendas:
1. Election of new Executive Council.
2. Election of new Office bearers.

So, all the concerned members are requested to attend the meeting without fail

Sd/-
L. Madhumani Singh
Ex-Secretary
AMESSCO

SL/Nute/22

## NOTICE
Date:- 17/08/2026

It is to inform to the members of the Thoubal District Athletics Association, Regd. No. 20 of 2004 that a Special General Body Meeting will be held on 27th August, 2006 at 10:00 am at Mini Stadium, Thoubal Ningombam to Transact the following agendas.
1. Election of new Executive Council.
2. Election of new Office bearers.

So, all the concerned members are requested to attend the meeting without fail

Sd/-
L. Madhumani Singh
Ex-Secretary
Thoubal District Athleties Association

SL/Nute/22

## NOTICE
Date:- 21/08/2026

In continuation to Notice Dt: 28/07/2026 & 2/8/2026 published on 29/07/2026 & 3/8/2026 respectively with the Sanaleibak newpaper, it is hereby informed that the Special General Body Meeting which was held on 20th August, 2026 has been adjourned due to lack of quorum. Now that the Adjourned Special General Body Meeting will be held on 25th August, 2026 at 2:00 pm at Khongman Zone-III Imphal East.

Sd/-
N. Medhabati Devi
Ex-Secretary

SL/KK/22

# য়ু এস প্রসিদেন্টনা ইরানগী ইকোনোমি নাইতোম তাহন্নবা হোৎনরি, মদু ইকোনোমিক টেরোরিজমনি: ইরান



টেহরান, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা টেহরানদা লৈরিবা ইরানগী লৈঙাক নিংখায়হন্নবা ৱাশক্তুনা লৈবাক অদুগী ইকোনোমি নাইতোম তাহন্নবা অনৌবা কেম্পেনদা য়াওনবা য়ু এসনা শগোলশেল নুমিৎতা এলাইশিং অমসুং চাইনাদা মাঙজৌননা খঙহনখ্রে।

য়ু এস ট্রেজরি সেক্রেটরি স্কোট্ট বেসেন্টকী ৱাফম অদু ট্রম্পকী মীয়ান্না য়ান্নদবা লান ৬শুবা থা চংশিল্লকখিবগা টেহরানগী মথক্তা মিলিটরিগী শাফু পীবগী মহুৎতা ইকোনোমিক লোমদা হোংদোক্লকপগী ফিভম উৎলি।

য়ু এসনা কিহল্লকপশিং অদুবু ইকোনোমিক টেরোরিজমনি হায়না ইরাননা হায়খ্রে অমসুং মখোয় মায়থিগনি হায়না ময়েক শেংনা হায়খ্রে।

মালেমগী পুৱারিদা মসি খ্বাইদগী অমগা অমগা খূৎশন্নবা ইকোনোমিক্কী নাইতোম তাহনবা অদু ওইরগনি। ঐখোয়না মখোয়দা চৎলগনি অমসুং ঐখোয়গী নাকন্দা য়াওগেরা নৎত্রগা ঐখোয়গীমরক্তা লৈগেরা হায়বদু নাখোয়দা হায়রগনি হায়না বেসেন্টনা এলাইশিংদা থাবা মেসেজ অমদা হায়খি।

য়ু এসনা চাইনাদসু মদুগী শাফু অদু পীগদ্রা হংবদা বেসেন্টনা লন্নাই ওইনা ৱারী কয়া শান্নরি। প্রোগ্রাম অদুদা য়াওনবা বৈজিংদা আপিল তৌরি হায়খি। চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং সেপ্টেম্বর ২৪দা হ্বাইট হাউসতা লাক্কদৌরি।

য়ু এস ট্রেজরি সেক্রেটরিনা ইকোনোমিক প্লান অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মথক্তা অকনবা মিলিটরি ওপরেসনশিং অদু অমুক হন্না চথরবা য়াই হায়বা তাকপনি।

অদুবু ট্রম্পকী প্লান অদু ইরাননা ককথৎখ্রে। ইকোনোমিক দি-দে হায়রিবা অদু আমেরিকাগী মশাগী ক্রাইসিস: মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা শেন্দোন অমসুং হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা শেন্দোয়দগী থৈদোক্লবা হোৎনবনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাঘচিনা এক্সতা পোষ্ট অমদা হায়খি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ু এসনা টেহরানগী মথক্তা মাঙ তাকহনবা সেঙ্কসন কয়াগী মতুংদা চথরক্লিবা কিহনবশিং অদু চৈখ্রে। ইরানিয়ান সিটিজন খুদিংমক্কী ফান্দামেন্টেল হ্যুমেন রাইটসতা টার্গেট তৌখিবা ইরানগী মথক্তা য়ু এসকী ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিং অদু ইকোনোমিক টেরোরিজম অমসুং ক্রাইমস এগেন্স হ্যুমেনিটিগী কেস অমনি হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

# হোস্পিটালদা চেক-অপ মতুং ইমরান খান জেলদা অমুক হন্না পুশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান ইস্লামাবাদতা হোস্পিটাল অমদগী আদিয়ালা জেলদা অমুক হন্না পুশিনখ্রে হায়না মহাক্কী পাকিস্থান টেহরীক ই-ইন্সাফ (পি টি আই) পার্টিগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইমরান খান হোস্পিটাল অদুদা মেদিকেল চেক-অপ অমা পাঙথোকখি অমসুং কষ্টদিদা লৈবদা মহাক্কীদমক সেফ ওই হায়না ডোক্টরশিংনা লৌখিবা মতুং জেলদা অমুক হন্না থাজিনখ্রে হায়না পাষ্টানি মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপথালমোলোজিষ্ট অমা, কার্দিওলোজিষ্ট অমা অমসুং ফিজিসিয়ান অমা য়াওবা ক্বালিফাই ডোক্টরশিংগী টিম অমনা মহাকপু মরিকচুম্বা একজামিনেসন অমা চথখি অমসুং মহাক মেদিকেলি ফিট ওইরি হায়না লাউথোকখি হায়না খানগী হেল্থ চেকশিং অদুগী মতাংদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর অট্টাউল্লাহ টাররনা এক্সতা ইখি।

মসিগী প্রোসেস পূন্নমক মপুং ফানা লোইরবা তুংদা মহাক আদিয়ানা জেলদা অমুক ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পাষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণমেন্টতা ইমরান খানবু মেদিকেল চেক-অপ অমসুং এগজামিনেসনগীদমক প্রাইভেট ফেসিলিটি অমা ওইরিবা সিফা ইন্টরনেসনেল হোস্পিটালদা পুথোক্লবা খঙহনখিবনি। অদুবু মহাকপু গভর্ণমেন্টনা চলাইবা পাকিস্থান ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (পি আই এম এস) তা ওইনা পুখি হায়না টাররনা ফোঙদোকখি।

হকচাংগী নুংনাংবশিংগী মতাংদা ইমরান খানবু স্পিসিয়েলাইজ মেদিকেল কিয়ার পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা ওথোরিটিজদা ওর্দর তৌখিবা মতুং মশাগী চহী ৩৭ শুরবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুবু মেদিকেল ইভালুয়েসনগীদমক অহিং নোংয়াই অদুৱাহদা হোস্পিটাল অদুদা পুথোকখি।

পি টি আই ফাউন্দর অদুগী জেলদগী চথোক চৎশিন তৌখিবা অদু খ্বাইদগী কনবা সেক্যুরিটিগী মখাদা পাঙথোকখি হায়না লিখুলশিং পল্লদুনা জিও ন্যুজনা হায়খি।

হৌজিক মহাক মাগী সেল অদুদা পুরকখ্রে। হোস্পিটাল অদুদা মহাক্লা ঙাইহাক লৈরিঙৈগী মনুংদা, ফ্রেঞ্চ, এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না হোস্পিটাল অদুগী মনাক্তা পি টি আই শৌগৎপা ময়াম অমা পুনখি।

মহাক্লা হোস্পিটাল অদুদগী থোক্লকখিবা অদুদা খানগী মচননুপী উজমা খাননা মাগী মবুং অদুগা উন্নখি হায়না মেদিয়াদা কোন্না হায়খি।

# বঙ্গলাদেশকী প্রসিদেন্ট ওইনা মিরজা অলামগির ৱাশক লৌখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

ভেটরান বঙ্গলাদেসি পোলিটিসিয়ান অমসুং বি এন পি লুচিংবা মিরজা ফখরুল ইস্লাম অলামগির বঙ্গলাদেসকী ২৩শুবা প্রসিদেন্ট অদু ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

বঙ্গলাদেশকী পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা মশাগী চহী ৭৮শুরবা পোলিটিসিয়ান অদুদা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌহনখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু প্রসিদেন্ট ওফ বঙ্গলাদেশকী ওফিসিয়েল রেসিদেন্স বঙ্গভৱনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুর্মুনা পিপলস রিপব্লিক ওফ বঙ্গলাদেশকী প্রসিদেন্ট, প্রসিদেন্ট মিরজা ফখরুল ইস্লাম অলামগিরদা নুংঙাইহবগী পাউজেল অমা থাখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রহমন, মপান লৈবাক্কী শক্লাইরবশিং, মকোকথোংবা সিভিল অমসুং মিলিটরি ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

# নাইজেরিয়াদা হিগী এক্সিদেন্টতা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে

অবুজা, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

অৱাং নোংচুপ নাইজেরিয়াগী সোকোটো ষ্টেটতা শগোলশেল নুমিৎতা হি অমা লুপখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৫১ শিখ্রে, রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

হি শিংদা মী হেঞ্জিন্না তোংবা, মেন্টেনেন্স নিংথিজনা তৌদবা নৎত্রগা সেফটি রিগুলেসনশিং ইন্দবনা অয়াম্বা থোকহনবা অসিগুম্বা এক্সিদেন্টশিং অসি নাইজেরিয়াগী মী চিল্লবা তুরেলশিং অমসুং ঈশিং লম্বীশিংদা তোয়না থোকই।

চহী খুদিংগী মীওই কয়া ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শি। ফিভম অসি ফৎতে হায়না এক্সিদেন্ট থোকখিবা মফম গোরোনিও দিষ্ট্রিক্টকী গোরাও খূনগী হান্নগী কাউন্সিলর ইব্রাহিম নুসানা হায়খি। ঐখোয়না হান্ননা হকচাং ৪৬ লৈরোন চনখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৫ অমা তুরেল অদুদগী লৌখৎলকখ্রে হায়না মহাকনা হায়খি।

পেসেঞ্জরশিং অদু তুরেল অদুগী ৱাংমদা লৈবা ফার্মদা চৎকদবনি। মখোয়গী মনুংদগী অয়াম্বদি নুপীশিংনি অমসুং অঙাংশিংনি। নুপীমচাশিং অদুগী মনুংদগী খরদি থুনা লুহোংলগদবশিংনি হায়না য়ামদ্রবদা ৪৮ শিখ্রে হায়রদুনা মহাক্লা এ এফ পিদা হায়খি।

# রসিয়ান এটেকশিংদা ২১ শিখ্রে

ক্যিব, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী ময়াই থংবা সিটি ক্রিভিয়ীরিহদা লৈবা সোপ্পিং সেন্টর অমদা ঙসি রসিয়াগী দ্রোনশিংনা এটেক তৌরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং ৫৬ শোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিগী ময়ূম টাউন অদুদা চথরকখিবা নুংথিলগী এটেক অদুদা শোকখিবশিং অদুগী মনুংদা অঙাং ৬ য়াওখি।

ঙারাং শগোলশেল নুমিৎতসু য়ুক্রেনগী কোনুং ক্যিবতা রসিয়াগী বলিষ্টিক মিসাইল এটেক অমদা মীওই ১৭ শিখি।

# য়ু এসনা কাটারদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫তা রিফ্যুলিং এয়ারক্রাফ য়োনগদৌরি



ৱাসিংটন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

ইরানদা চথরিবা ৱাসিংটনগী লানদা মেদিয়েটর অমা ওইনা থবক তৌরকখিবা কাটারদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রিফ্যুয়েলিং এয়ারক্রাফ অমা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫তা য়োন্নবা শগোলশেল নুমিৎতা এপ্রুব তৌখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা লাউথোকখ্রে।

মিসাইল ৱার্নিং সেন্সরশিং পানবা কে সি-৪৬ এ এয়ারক্রাফ ৬ ফাওবা লৈগে হায়না কাটারনা হায়রকখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা দিপোর্টমেন্ট অদুনা হায়খি।

তোংগ্রেসকী এপ্রুভেলগীদমক থাখ্রবা এয়ারক্রাফ য়োনবগী ৱাফম অমা ষ্ট্রাটেজিক সেক্যুরিটি পার্টনর অমগী সেরেক্যুরিটি ফগৎহনবদা মতেং ওইদুনা য়ু এস নেসনেল সেক্যুরিটি শৌগৎপদা ওইগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ৱারী শান্নবগী থবক হৌজিক চপ্পুনা লৈরবসু থা কয়াগী খূৎ থোক্লবা লোইশিন্নবা ৱাসংটন অমসুং টহরানগী মরক্তা

লৈবাক অসিনা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল অমসুং হমাজগী মথক্তা থোক্লিবা কনফ্লীক অদুগী মতাংদসু থবক তৌরি।

মিদ্দল ষ্টতা খ্বাইদগী চাওবা য়ু এস মিলিটরি ইনষ্টোলেসনশিংগী মনংদগী অমা ওইরিবা অল-উদেইদ এয়ারবেজ অদু কটারদা লৈ।

য়ফেব্রুৱারিগী অথেংবদা হৌখিবা ইরান লান মনুংদা য়ু এস মিলিটরি বেজ অদুদা ইরাননা কয়ারক হন্না টার্গেট তৌরকখ্রে।

গল্ফ ষ্টেট অসিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা হৌজিক অনৌবা এয়ারফোর্স -১ ওইরিবা লগজরি এয়ারলাইন অমা পীরকখ্রে।

# ইন্দিয়ান ২২ য়াওবা জহাজ ২ হায়জেক তৌখ্রে

মোগাদিসু, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

য়েমেন অমসুং সোমালিয়াগী সমুদ্রদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা খূৎলাই পায়বা ঈশিং দাকুশিংনা ইন্দিয়ান ২২ য়াওবা লল্লোন ইতিক্কী জহাজ ২ হায়জেক তৌখ্রে হায়না সেনিয়ার সিপ্পিং মিনিষ্ট্রি ওফিসিএল ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে হায়না পি টি আইগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

জহাজ অনিমক্তা য়াওখিবা ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বর পূন্নমক অশোয় অঙাম থোক্ত্রি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

অহানবা জহাজ অদু ইন্দিয়ান ৬ য়াওবা ক্রু মেম্বর ১০ লৈবা কেমেরুন-ফ্লেগ লুতুফনি। মদু সোমালিয়াগী পুন্তলেন্দ তোর্ব্বান মনাক্তা ওগষ্ট ১৭তা হায়জেক তৌখিবনি। অনিশুবা জহাজ অদুনা ইরিত্রিয়া-ফ্লেগ ওইল-প্রদক্স টেঙ্কর এম টি সিবু ১নি। মদুদা ইন্দিয়ান ১৬ য়াওনা ক্রু মেম্বর ২০ য়াওই। মদু ওগষ্ট ২০দা গল্ফ ওফ এদেনদা হায়জেক তৌখিবনি।

খূৎলাই পায়বা ঈশিং দাকু ৬না এম টি সিবুদা কাখৎলকখি অমসুং জহাজ অদু মখোয়গী খূৎতা থমখি, অদুগা এ কে ৪৭ মওংগী খূৎলাইশিং পায়বা পাইরেট ৮না লুতুফতা কাখৎলকখি।

লুতুফ অদু হৌজিক পাইরেট কন্ট্রেল মখাদা লৈরি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা অশোক অপন অমত্তা থোক্তে হায়না সোমালি ওফিসিয়েল অমনা এসোসিয়েটেদ প্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

জহাজ অদু মোগাদিসুদা টর্কিজ মিলিটরি ট্রেনিং ফেসিলিটি অমগীদমক টর্কিজ ৱিপন্স, কম্যুনিকেসন্স অমসুং সেটিলাইট ইক্যুপমেন্ট পুরকখিবনি। সিপ্পিং মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না ২০২৫ মালেমগী মার্চেন্ট সিপ্পিংদা ইন্দিয়ান সেলর ৩২০,০০০ হেন্না থবক তৌরি।

# মাস গ্রেবতা স্কেলেটন ৫৮২দা ফংলে

কলম্বো, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

শ্রীলঙ্কাদা মীয়াম পুল্লপ ফুমফম ওইবা মফম অমদা ফেরেন্সিক এস্কেবেটিং টিমশিংনা অঙাংশিং অমসুং নহাশিংগী য়াওনা মীগী স্কেলেটন ৫৮২ ফংখ্রে।

এস্কেবেসন অদু লৈবাক অদুগী চহী ২৬কী সিভিল ৱার লোইশিনখিবা মতুংদা লৈবাক অদুদা ফংখিবা খ্বাইদগী চাওবা মীয়াম ফুমফমশিংগী মনুংদগী অমনি।

দ টেলিগ্রাফকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না এস্কেবেটরশিং অদুনা অৱাং থংবা সিটি জফনা মনাক্কী চেনমানিদা পার্সোনেল আইটেমশিংগী কলেক্সন অমসু লৌখৎলকখ্রে। লৈনুংদগী ফংলিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা প্লাষ্টিক্কী শঙ্গোম বোট্টলশিং, অঙাংগী শনপোৎশিং, স্কুলগী বেগশিং, খোঙউপশিং য়াওরি।

মফম অদুদা ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না স্কেলেটন কয়ামরুমদা এগজিক্যুসনগী ময়েক শেংবা খুদমশিং উৎলি।

পনবা তারবদা, স্কেলেটন অমদি মখূৎ অনিমক অদু মথবাক্তা কন্না পুনশিল্লম্মি।

হৌজিক ফংলিবা স্কেলেটনশিং দুগী মীওই ৫৮২ অদু শ্রীলঙ্কাদা থিবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইনা রিপোর্ট তৌরিবশিং অদুগী মনুংদা য়াওব্রা হায়বা শেংনা খঙদ্রি। ফোরেন্সিক স্পিসিয়েলিষ্টশিংনা হকচাংগী শরুকশিং অদু এগজামিন তৌখিগনি অমসুং লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী দি এন এ সেম্পলশিং অদু চানব্রা হায়বা য়েংখিগনি।

চেনমানি সাইট অসিনা মাস গ্রেব অমদা শ্রীলঙ্কাগী হৌজিক ফাওবগী খ্বাইদগী চাওবা ইনভেষ্টিগেসন অমা ওইখ্রে। মফমসি শ্রীলঙ্কা গভর্ণমেন্ট সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং লিবরেসন টাইগরস ওফ টামিল ইলাম (এল টি টি ই)গগী শাংলবা কনফ্লীকতা ফোর্স দিসএপিয়ারেন্সশিং অমসুং এক্সত্রা জুদিসিয়েল কিলিংসকা মতম শাংনদগী লোয়নরকখি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 583/SDC/IW(C)-I dated, 12/08/2026

Haorungbam Tampha Devi W/O Haorungbam Bihari Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Haorungbam Amujao Singh S/O Late Modan Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai. O.P. (s)

**/NOTICE**
Lamphel, the 21st August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Haorungbam Amujao Singh S/O Late Modan Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 1651 (O) অনৌবা পট্টা নং 2681 (N) দাগ নং 9026 অমসুং এরিয়া 0.0233 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/22



**Office of The Imphal Municipal Corporation**

**/নোটিশ**
তাং ২১-৪-২০২৬

No.IMC/86/RO/Shop Transfer News Approval-2026 অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Shop No. C-9, 1st floor (Paona International Market) , শ্রী Thokchom Chandrakumar Singh, Keishampat Leimajam Leikai গী মিংদা Lease পানবা Shop অসি Lessee মশানা শ্রী Samurailapam Swati Devi D/O Raju Gopendro Sharma, Nagamapal Lamabam Leikai, I/W গী Lessee গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Lessee গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০(তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Asstt. Municipal Commissioner (Revenue)
Imphal Municipal Corporation

SL/Su/22



**HOMI BHABHA CENTRE FOR SCIENCE EDUCATION**
TATA INSTITUTE OF FUNDAMENTAL RESEARCH

**National Olympiad Programme 2026-2027**
**in Astronomy, Biology, Chemistry, Physics, Junior Science**

All students wishing to participate in the programme must appear in corresponding **National Standard Examinations (NSEs)** (for science subjects) on **November 21 and 22, 2026**, conducted by **the Indian Association of Physics Teachers (IAPT).**

Qualification in NSE is the first step towards participation in the corresponding **International Olympiads of 2027.**

To enroll:
**NSEs:** https://www.iapt.org.in (Aug 21 - Sep 14, 2026)

For more details: https://olympiads.hbcse.tifr.res.in
https://www.iapt.org.in

cbc 48143/11/0005/2627



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 252/SDC/B/IE of 2026,* Dt. 21/08/2026

1. Athokpam Muhini Devi W/o A. Bijoy Singh of Kha Naorem Leikai.
2. Koijam Umapati Devi W/o K. Gambhi Singh of Kyamgei Mamang Leikai.
3. Khuraijam Bijenti Devi C/o Thingbaijam Konjo Singh of Kyamgei Maning Leikai.
4. Yumnam Chaoba Devi W/o Y. Irabot Singh of Lilong Arapti Mayai Leikai.
5. Khuraijam Khoibi Devi D/o (L) Kh. Kunjo Singh of Kyamgei Maning Leikai
6. Ngasepam Sandhyarani Devi W/o Ng. Jonao Singh of Keishampat Khwairakpam Leikai.
7. Khuraijam Lili Devi C/o Maibam Roshan Singh of Thonju-Part-II Konak Khongang Makhong

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Khuraijam Kunjo Singh S/o (L) Maimu Singh of Kyamgei Maning Leikai

***- Pattadar***

**/NOTICE**
*Bashikhong, The 21st August, 2026*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 68-Kyamgei পাট্টা নং 231 অনৌবা দাগ নং 258 মোট এরিয়া 0.395000 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার Khuraijam Kunjo Singh S/o (L) Maimu Singh of Kyamgei Maning Leikai.দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,Bashikhong**
Imphal East

SL/B(Mei)/22



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 584/SDC/IW(C)-I dated, 12/08/2026

Laimayum Ranga Devi W/O (L) Jetendra Sharma of Bramapur Nagamapal. -Petitioner

**-Vs-**

(Late) Laimayum Jitendra Sharma S/O Muhon Sharma of Nagamapal . O.P. (s)

**/NOTICE**
Lamphel, the 21st August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Laimayum Jitendra Sharma S/O Muhon Sharma of Nagamapal গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 89-Khwai Lalambung, অরিবা পাট্টা নম্বর 380 (O) অনৌবা পট্টা নং 728 (N) দাগ নং 3175 অমসুং এরিয়া 0.01500 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/22



**/ MEE PAMJEI**

1. Tyre Fitting heiba Meeoi Ani (2)
2. Driver (Light Vehicle) thouba Heiba Ani (2)
3. Helper (Male) Ani (2)
4. Salesman (Male/Female) Ani (2)
5) Assistant Accountant (1) Knowledge in Tally.

**SUNDAY OPEN**

**NB:** Pambibasingna Biodata / Resume, Passport Photo Ani, Club tagi Character Certificate ka loinana makhagi ashida thajinbirakpa yagani.

**Contact: Bridgestone Select**
**M/S Imphal Tyres**
Uripok Achom Leikai, Lane - 1 Opp. ICICI Bank
**# 8837326916**

SL/18, 20, 22



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 585/SDC/IW(C)-I dated, 12/08/2026

Khaidem Kumudini Devi W/O Late Khaidem Manihar Singh of Thangmeiband Hijam Leikai. -Petitioner

**-Vs-**

(Late) Khaidem Manihar Singh S/O Late Kumud Sigh of Thangmeiband Hijam Leikai. O.P. (s)

**/NOTICE**
Lamphel, the 21st August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা ((Late) Khaidem Manihar Singh S/O Late Kumud Sigh of Thangmeiband Hijam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর 197 (O) অনৌবা পট্টা নং 2150(N) দাগ নং 5078 অমসুং এরিয়া 0.01100 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/22



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 582/SDC/IW(C)-I of 2025 dt. 12/08/2026

1) Salam Tenden Singh S/O S. Brajamani Singh of Sayang Road Konthoujam Leikai.
2) Salam Imocha Singh S/O Salam Brajamani Singh of -do-

-Petitioners

-Vs-

(Late) Salam Brajamani Singh S/O (L) Tollangou Singh of Sagolband Konthoujam Leikai. O.P. (s)

**/NOTICE**
Lamphel, the 17/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Salam Brajamani Singh S/O (L) Tollangou Singh of Sagolband Konthoujam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 1365 অনৌবা পট্টা নং 2443 দাগ নং 1276 অমসুং এরিয়া 0.0203 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner গী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

RP



**IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL EAST, MANIPUR**
***Original (Guardian) Case No. 5 of 2026***

*Sanasam Kritivas Singh, aged about 31 year, S/o (L) S. Surendra Singh of Uchekon Takhok Mapal, P.O. Singjamei P.S. Irilbung, District-Imphal East, Manipur.*

***...Petitioner.***

***-Versus-***

*1. Sanasam Roma Devi, aged about 51 year, W/o N. Robi Singh of Atom Leirak Khongman Zone-V, P.O. Singjamei P.S. Irilbung, District-Imphal East, Manipur and another.*

***...Respondents.***

**SUMMONS**

To,
Sanasam Bina Devi, aged about 42 year, W/o Sagolshem Rocket Singhof Uchiwa Makha Leikai, P.O. & P.S. Mayang Imphal, District-Imphal West, Manipur.

Whereas, the above named Petitioner has filed a Declaratory suit against you before this Court under Section 14 of the Rights of Persons with Disabilities Act, 2016 praying for declaration and appointment the present petitioner as a Guardian of person and property of the person with disability namely;- Sanasam Tamphasana Devi; you are hereby summoned to appear in this Court on 31-08-2026 at 10:30 a.m. either in person or by an advocate duly authorized to answer to the claim of the petitioner, and to file written statement of yours, if any. A copy of the plaint is enclosed herewith for your reference.

Take notice that, in case of default of your appearance, on the aforesaid date and time, the case shall be heard and determined in your absence. Imphal.

Signed and sealed by the order of this 21st day of August, 2026 at Imphal

Sd/-
Sheristadar,
District count, Imphal East, Manipur.

SL/Sushila/22


ক্রোসৱার্দ ১১২৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | L | A | H | | S | L | O | T | | T | R | O | D |
| V | O | I | L | E | | T | I | R | E | | A | I | D | E |
| I | N | F | L | A | T | E | A | B | A | L | L | O | O | N |
| D | I | E | | D | E | E | R | | P | A | L | T | R | Y |
| | | | P | R | E | P | | H | A | Z | Y | | | |
| A | C | T | I | O | N | | T | O | R | Y | | A | L | A |
| B | R | A | V | O | | A | R | U | T | | S | N | U | B |
| B | E | C | O | M | E | V | E | R | Y | A | N | G | R | Y |
| E | M | I | T | | N | I | T | S | | T | A | L | E | S |
| Y | E | T | | A | D | O | S | | S | T | R | E | S | S |
| | | | S | P | A | N | | L | O | R | E | | | |
| L | I | S | T | E | N | | G | A | L | A | | J | A | G |
| E | N | L | A | R | G | E | A | P | I | C | T | U | R | E |
| S | T | I | R | | E | G | I | S | | T | O | N | E | R |
| S | O | M | E | | R | O | L | E | | S | T | E | A | M |

# এসিয়ন কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ক্লবনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপগী চহী ৪০ শুরবা রেকোর্দ ইষ্ট বেঙ্গলনা থুগায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি)ঃ

মালেসিয়াদা চথরিবা এ এফ সি ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬–২৭গী প্রিলিমিনরি ষ্টেজকী মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গলনা রোভর্স এফ সিবু গোল ১২–০দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়ন কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ক্লব অমনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপগী চহী ৪০ শুরবা রেকোর্দ থুগায়দুনা পুৱারী শেমখ্রে।

১৯৮৫–৮৬দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্লব চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইষ্ট বেঙ্গলগী নুপা টিমনা মালদিভসকী ক্লব ভেলেন্সিয়াবু গোল ৯–০দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়ন কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ক্লব অমনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপগী রেকোর্দ ঙসি ফাওবা থুগায়বা ঙমদনা লাকখিবনি।

মালেসিয়াগী কোটার কিনাবালুদা লৈবা লিকাস ষ্টেমিয়দা চথরিবা এ এফ সি ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপ লীগ ২০২৬–২৭গী প্রিলিমিনরি ষ্টেজতা ইষ্ট বেঙ্গলনা থংন থংননা মেটচ অনী মায় পাক্তুনা গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌনবগীদমক মেটচ অমখক মায় পাকপা মথৌ তাখ্রে। মখোয়গী মথংগী মেটচ ওইনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মালেসিয়াগী সবাহ এফ এগা শান্নরগনি।

প্রিলিমিনরি ষ্টেজ অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়গী অহানবা মেটচতা বংলাদেশকী রাজসাহি ষ্টারস এফ সিবু গোল ৪–০দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌদোকখিবনি। অনীশুবা মেটচতা গুৱামগী রোভর্স এফ সিবু গোল ১২–০দা মায়থিবা পীখিবা অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলনা হেন্না লাকচনা শান্নবগা লোয়ননা মেটচকী ৬শুবা মিনিটতা নাওরেম প্রিয়ঙ্কা দেবীনা বোক্সকী ৱাংমদগী গোল অমা চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

মখা তানা ১৫শুবা মিনিটতা কায়েনপাইবম অঞ্জু চনুনা এটেম্প তৌবা বোল রোভর্সকী গোলকিপর অলমোনতেনো নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগগী খুদোং চাবা লৌদুনা অষ্টম ওরাওননা থুনা য়াংনা চেনশিন্দুনা মহাক্কী অহানবা অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মিনিট ৭ লৈরবা মতুং ২২শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখিবী নাওরেম প্রিয়ঙ্কানা গোলকিপর অলমোন্তে চেন্থোরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্কী মথক লান্না কাওশিন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গলবু ৩–০দা মাঙজিল থাহনখি।

অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা ইষ্ট বেঙ্গলনা গোল অহুম মাঙজিল থাদুনা চৎখিবগা লোয়ননা অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা শরুক্তগী ইন্দিয়ন ৱুমেন'স লীগকী চেম্পিয়ন অসিনা হেন্না এটেক তৌদুনা অহেনবা গোল চন্নবা লম্বী থিরকখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ৪৮শুবা মিনিটতা সুলঞ্জনা রাওলগী ক্রোস অমদগী ওলিভিয়ানা অনকপা মফম অমদগী গোল ওন্থোকখি।

মিনিট ১ রোম লৈরবা মতুং সৌমিয়া গুগুলোথনা পীরকপা চপ চাবা ক্রোস অমদগী অবিগেলনা হেদিং তৌশিন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী মঙাশুবা গোল চনখি।

রোভর্স এফ সিগী মায়কৈদগী গোল মঙা শোৎথনা লৈখ্রবসু মরক মরক্তা এটেক তৌরক্লবা হোৎনরবসু ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা লায়না মায়োক্লখিবগা লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলগী হাফ লান্নবা হোৎনরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা সুলঞ্জনানা ইষ্ট বেঙ্গলগী তরুকশুবা গোল চনখি। সুলঞ্জনাগী গোল অসিদা এসিষ্ট তৌরকখিবী হেমাম সিল্কি দেবীনা ৫৬শুবা মিনিটতা বোক্সকী ৱাংমদগী রোভর্সকী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরল্লগা গোল পোষ্টকী ওইথংবা মতোনদা কাওশিন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল ৭ শুহনখি।

মেটচকী ৫৮শুবা মিনিটতা ওলিভিয়ানা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগী ৭শুবা, অবেনানা মেটচকী ৬৪শুবা অমসুং ৭০শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনিটতা সৌমিয়া গুগুলোথনা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায় পাকপগী অমদি রেকোর্দ ওইনা ১২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

# স্পোর্টসনা মহৈরোইশিংবু হকচাং অমসুং ৱাখল ফনা থন্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি: এন প্রভিন



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ

স্পোর্টসনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী হকচাং অমসুং ৱাখল ফনা থন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়না য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরী নাওরেম প্রভিননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নিত্যায়পাৎ চুথেক্তা লৈবা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়ম হোলদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্ঠ ইষ্ট রিজনেল সেন্তর ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

সেক্রেটরী নাওরেম প্রভিননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ভারত খেল নিতি ২০২৫ অমসুং নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০গী মীৎয়েং মখাদা স্পোর্টসপু এদুকেসনগী শরুক অমা ওইহনবা অকন্নবা মীৎয়েং থল্লি। স্পোর্টসনা মহৈরোইশিং অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ৱাখল অমসুং হকচাং ফনা থন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মরম্না মহৈরোইশিংবু মখোয়গী অপাম্বা অমসুং তৌবা ঙম্বা য়েংলগা তুংগী কেরিয়র শেম্নবা হোৎনবা মথৌ তায়।

ইন্দিয়াগী মীশিংগী চাদা ১ রোমতমক লৈরিবা মণিপুরনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল লৌরক্তুনা অপূনবা মেদলগী চাদা ১০ কন্ত্রিব্যুট তৌবা ঙমখি। মসি লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা শান্ন–খোৎনবগী লমদা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থারিবা হায়বা অদু উৎপনি।

খেলো ইন্দিয়াগী স্কীমগী মখাদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রক্সরশিং শেমগৎনবা খন্নবা লৈরে। শান্নরোইশিং গ্রাসরুট লেভেলদগী শেমগৎতুনা লাক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস, ওলেম্পিক্স গেমস অমসুং অতৈ মালেমগী মকোক থোংবা ইভেন্ট কয়দা লৈবাক অসিনা হেন্না মেদল লৌনবা মীৎয়েং থল্লি।

শান্ন–খোৎনবা অমসুং মহৈ–মশিং অসি অমত্তা ওইনা লোয়ননা চৎত্তবা য়াদবা হিরম অমা ওইরি। মমাঙৈদা অহল–লমনশিংনা শান্নবদগী হেন্না মহৈ–মশিংদা হেন্না থৱায় য়াওনবা পাউতাক কয়া পীরম্বা অদু ঙসিদি শান্ন–খোৎনবা য়াওদ্রবদি মীওই অমগী পূন্সিদা মায় পাকপা, মীথোই মীহেনবা ওইবা ঙমদে হায়বসি খঙনরে। লৈবাক অসিদা মণিপুরদগী লাকপা শান্নরোইশিং অতোপ্পা ষ্টেটকী মীপুম খুদিংমক্না ইকায় খুম্নবা উৎলি।

স্পোর্টসকী লমদা হৌজিক লৈরিবা ইকো সিষ্টেম খন্নদুনা ওগষ্ট ১০দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন চৎনবা গাইদ লাইন শেম্বা লোয়রে। গাইদ লাইন অসিগী মতুং ইন্না মশান্না খুদিংমক লূম্না লৌদুনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। অদুমক্কপু করম্বা মশান্না হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মেদল হেন্না লৌরকপা ঙমগদগে হায়না মশান্না ১৯গী খন্দোকপদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মেদল য়াম্না লৌবা ঙমগদবা মশান্না ১১ য়াওরি। মসিগী মনুংদা মহাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী স্পোর্টস সেক্রেটরীদা সেপাক তাক্রো, ৱুশু অমসুং দাইভিং হাপ্পিনবা তকশিনখিবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা সাই এন ই আর সি ইম্ফালগী রিজনেল ডাইরেক্টর সি ধন্দাপানিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মালেমগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবা অসি য়েংলগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা সেন্তর অসিদা লৈরিবা শান্নরোইশিং য়াওনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মেদল কয়া লৌনবা ইনফ্রাষ্ট্রক্সচর শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৬৩,৪৪১ সেঙ্কসন তৌবদা অয়াবা পীরকখ্রে হায়রি।

# ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা চহী ১৫ নুপীগী দবলসতা মেদল লৌবা ঙমদনা লাকপগী খোঙচৎ ত্রিসা–গাইত্রিনা লোয়শিনহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্লু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা ত্রিসা জোল্লি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দনা চহী ১৫গী মতুংদা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

হৌজিক চথরিবা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ত্রিসা জোল্লি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দনা চাইনাগী মরিশুবা সিদতা লৈরিবী অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মরিরক ওইবা ঙমখ্রবা জিয়া য়ি ফান অমসুং ঝাং সু সিয়ানবু ১৬–২১, ২১–১৫, ২১–১৩দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙদুনা ব্রোঞ্জ মেদলদগী তাদনা শোয়দনা ফংলগনি।

মখোয় অনীনা সেমি ফাইনেল চঙদুনা ব্রোঞ্জ মেদলদগী তাদনা ফংগদৌরিবা অসিনা ২০১১দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা জ্বালা গুট্টা অমসুং অস্বীনি পোনমপ্পানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অদুদগী ঙসি ফাওবা চহী ১৫ নুপীগী দবলসতা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখিবগী খোঙচৎ অদু লোয়শিলহনখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিগী মমাঙ ফাওবদা মালেমগী ৩৯শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী ত্রিসা জোল্লি অমসুং গাইত্রি গোপিচান্দ মালেমগী মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবী চাইনাগী পিয়র অসিগী মখুৎতা মেটচ অহুম মায়থিবা নঙখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা চাইনাগী পিয়র অসিনা হৌরকপা শরুক্তা হেন্না দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্লেয়রবু কোর্ট শিনবা থুংনা চেলহন্দুনা ৬–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তারকপা শরুক্তা ত্রিসা অমসুং গাইত্রিনা খুৎ হল্লকপা খরা মখৈ ঙল্লবসু পোইন্ট কা হেন্না মাঙজিল থাদুনা চৎখিবা মরম্না তানখৎপা ঙমদবদগী চাইনাগী পিয়রগী মখুৎতা ১৬–২১দা মায়থিখি। অনীশুবা গেমদা ত্রিসা অমসুং গাইত্রিনা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লক্তুনা মখোয়গী দিফেন্সতা হেন্না ফগৎনা শান্নরকপগা লোয়ননা মতম চানা পোইন্ট লৌবা ঙমদুনা ২১–১৫দা মায় পাক্তুনা দিসাইদিং গেম শান্নখি।

দিসাইদিং অমসুং অহুমশুবা গেমদা ত্রিসা অমসুং গাইত্রিনা মোমেন্তম মখা তানা শমথরকপগা লোয়ননা গেম অসিগী ময়াই চল্লকপা তাঙ্খক ফাওবদা ১০–৫ ফাওবা মাঙজিল থাদুনা চাইনাগী পিয়রবু প্রেসর কয়া মায়োক্লহনখি।

গেম অসিগী মখা তারকপা শরুক্তা মালেমগী মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চাইনাগী পিয়রনা শোৎথনা লৈরিবা পোইন্টশিং তানখৎপা ঙমদবদগী অমদি মখোয়গী অশোয়বগী খুদোং চাবা লৌদুনা ত্রিসা অমসুং গাইত্রিনা লেমহৌরিবা মায় পাকপগী পোইন্ট লৌদুনা ২১–১৩দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচতা ত্রিসা অমসুং গ্রাইত্রিনা জপানগী তরেৎশুবা সিদতা লৈরিবী রিন ইৱানগা অমসুং নাকানিসিবু ২১–১৬, ২১–১২দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রনকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেত্তি চাইনাগী পিয়র লিয়াং অমসুং ৱাংগী মখুৎতা ১৮–২১, ৯–২১দা মায়থিদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমগী লোয়রমদাই শরুক্তা ইন্দিয়াগী পিয়রনা ১৮–১৬দা মাঙজিল থাদুনা চৎতুনা মায় পাকপা য়াবগী ফিভম লৈরল্লবসু চাইনিস পিয়রনা থংন থংননা পোইন্ট ৫ লৌখিদুনা ২১–১৮দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা লিয়াং অমসুং ৱাংনা মখোয়গী হৈজ শিংজবা পূম্নমক পুথোক্তুনা শান্নরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী পিয়রগী মায়কৈদগী নেট ময়াদা অশোয়বা সোট কয়া শান্নখি।

গেম অসিগী ইন্টরভেল ফাওবদা চাইনানা ১১–৫ ফাওবা চাওনা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবগা লোয়ননা কা হেন্না লাকশিন্দুনা শান্নখিবদগী রনকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ মখোয়গী রিদম ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবদগী ৯–২১দা মায়থিহৌখি।

# এফ সি গোৱা এ এফ সি চেলেঞ্জ লীগকী গ্রুপ–সিদা তাখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি)ঃ

ঙরাং মালেসিয়াগী ক্বালা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা এ এফ সি চেলেঞ্জ লীগ ২০২৬–২৭গী দ্রোদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা এফ সি গোৱা গ্রুপ–সিদা তাখ্রে।

এ আই এফ এফ সুপর কপ ২০২৫–২৬কী টাইতল লৌখ্রবা মতুং মখোয়গী পুৱারীদা অহুমলকশুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা এফ সি গোৱানা ঙরাং পাঙথোকখিবা দ্রো অসিদা গ্রুপ–সিদা কুৱেটকী কাদসিয়া এস সি, বংলাদেশকী ফোর্টিস এফ সি অমসুং টাজিকিস্তানগী এফ সি রেগারগা পূন্না তামিন্নখিবনি।

মমাঙ য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগ–২গী প্রিলিমিনরি ষ্টেজকী মেটচ অমদা এফ কে অরগাদেগনা ৩–০দা মায়থিবা পীরমখিবদগী এফ সি গোৱা এসিয়াগী নুপাগী ক্লব কম্পিটিসনদা অহুমশুবা টয়রদা লৈরিবা এ এফ সি চেলেঞ্জ লীগকী গ্রুপ ষ্টেজতা কুমথরকখিবনি।

এফ সি গোৱাগা গ্রুপ–সিদা পূন্না তামিন্নরিবা কাদসিয়া এস সি কুৱেট প্রেমিয়র লীগ ২০২৫–২৬ অমসুং ফোর্টিস এফ সি বংলাদেশ ফুটবোল লীগ ২০২৫–২৬তা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। অদুগা এফ সি রেগারনা টাজিকিস্তান কপ ২০২৫কী টাইতল লৌবা ঙমখি।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা টিম ৪/৪গী গ্রুপ–৫ থোক্না খায়দোক্তুনা চথগদৌরিবা লীগ অসি সিঙ্গল রাউন্দ রোবিন সেন্ত্রেলাইস লীগ ফোরমেটতা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৭তগী ২৩ ফাওবা শান্নগনি।

লীগ অসিগী দবল লেগতা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল অমসুং সেমি ফাইনেলনা মথং চহীগী মার্চ ৩দগী ১৮ ফাওবা অমসুং এপ্রিল ৭তগী ১৫ ফাওবা শান্নরগা ফাইনেলনা মথং চহীগী মে ৮দা শান্নগনি।

ক্বালা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা দ্রো অদুদা গ্রুপ–এদা টুরকেমিনিষ্টানগী আহল এফ কে, লেবাননগী অল–অনসার এফ সি, সিরিয়াগী অল ইটিহাদ অহলি ওফ অলেপো এফ সি অমসুং ভুটানগী পারো এফ সিনা পূন্না তামিন্নরি। গ্রুপ অসি ভুটানগী পারো এফ সিনা য়ূম্লু ওইদুনা শান্নগনি।

গ্রুপ–বিদা কুৱেটকী অল–অরাবি এস সি, লেবাননগী নেজমেহ এস সি, টাকিজিষ্টানগী এফ সি ইষ্টিকলোল অমসুং সিরিয়াগী হোমস অল ফিদা এস সিগা পূন্না তামিন্নদুনা গ্রুপ অসিগী য়ূম্লুনা টাজিকিস্টানগী এফ সি ইষ্টিকলোলনা য়ূম্লু ওইগনি।

গ্রুপ–দিদা ইন্দোনেসিয়াগী বোর্নিয়ো এফ সি সমারিন্দা, ফিলিপিন্সকী ৱান টাগিদ এফ সি, টাইপৈগী টাইনান সিটি এফ সি অমসুং ম্যান্মারগী য়াঙ্গোন য়ুনাইটেদ এফ সি / লাওসগী ইজ্রা এফ সিগা পূন্না তামিন্নরি। গ্রুপ অসিগী য়ূম্লুনা ইন্দোনেসিয়াগী বোর্নিয়ো এফ সি সমারিন্দানা ওইগনি।

গ্রুপ–ইদা ইন্দোনেসিয়াগী পর্সিব বন্দুং / ফিলিপিন্সকী মনিলা দিগর, ম্যান্মারগী সান য়ুনাইটেদ এফ সি, টাইপৈকী ন্যু টাইপৈ সিটি হাং য়ুৱান এফ সি, ব্রুনৈগী কসুকা এফ সি / ইষ্টটি মোরগী করকেতু দিলি এফ সিগা পূন্না তামিন্নবগা লোয়ননা গ্রুপ অসিগী মেটচশিংনা ম্যান্মারগী সান য়ুনাইটেদ এফ সিনা য়ূম্লু ওইদুনা শান্নগনি।

# চহীগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী ২০২৬–২৭গী চহীগী জেনরেল বোদি মীফম মথং থাগী ১০গী নুংথিল পুং ১ তাবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কম্মীটি অসিগী সেক্রেটরী ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রিবা চহীগী জেনরেল বোদি মীফম অসিদা মরী লৈনবশিংনা শুংশোয় শোয়দনা য়াওন্নবা অরোয়বদা খঙহল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ৫১শুবা এন্যুয়েল জেনরেল মীটিং মথং থাগী ১২গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পেরিয়েল হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরী লৈন্নবা ক্লব অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনশিংনা মখোয়গী মীহুৎ থারক্কবা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী লাইরেঞ্জম গীট রঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# শ্রীসঙ্কর অমসুং কুজুরনা সিলভর লেভেল দব্লিউ এ কন্তিনেন্টেল টুর মীটতা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ লুচিংগনি





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি)ঃ

হয়েং ভুবনেশ্বরদা চথগদৌরিবা ৱার্ল্ড এথলেটিক্স কন্তিনেন্টেল টুর সিলভর লেভেল মীটতা লোং জম্পর মুরালি শ্রীসঙ্কর অমসুং স্প্রিন্তর অনিমেস কুজুরনা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ লুচিংগদৌরি।

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদগী হৌদুনা জপাননা য়ূম্লু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী মাঙওইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা নোংমগী ওইবা ৱার্ল্ড এথলেটিক্স কন্তিনেন্টেল টুর সিলভর লেভেল মীট অসিদা ইন্দয়াগী এথলেটশিংনা ২০২৪ পেরিস ওলেম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা জস্বিয়াগী ক্বার্টর মাইলর মুজালা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী মকোক থোংবা এথলেট কয়াগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনগদৌরি।

ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা কন্তিনেন্টেল মীট অসিদা নুপাগী লোং জম্পদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এথলেট মুরালি শ্রীসঙ্কর, সাহনবাজ খান, লোপেস অমসুং পি দেবিদনচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা মেদল লোয়নমক লৌনবা মীৎয়েং থল্লি। ইন্দিয়াগী লোং জম্পরশিং অসি মখোয় মখোয়গী সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মিটর ৮ লান্না চোংবা ঙম্মখ্রবনি।

নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর অনিমেস কুজুরনা নুপাগী মিটর ১০০গী রেসতা সাউঠ অফ্রিকাগী মলেংগা,জপানগী য়ুকিগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। সাউঠ অফ্রিকাগী মলেংগা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ১০.০৩ সেকেন্দ অমসুং জপানগী য়ুকিনা ১০.০৬ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী সোট পুট্টর নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডরসু ওইরিবা টাজিন্দর পাল সিংহনা গ্লাসগো কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মিটর ২১.০৭ লংদুনা গোল্ড লৌবা ঙমখিবা নাইজেরিয়াগী ইনেক ৱিচিগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

কম্মনৱেল্ঠ গেমস অদুদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা সাউঠ অফ্রিকাগী এসেন স্মিটসু কন্তিনেন্টেল টুর অসিদা মেদল লৌন্নবা অকনবা মীৎয়েং থল্লি। ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সোট পুট্টর টাজিন্দর পাল সিংহ গ্লাসগো গেমস অদুদা মিটর ২০.২৭ লংদুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ওলেম্পিক মেদলিষ্ট অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াদ্রবসু কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা য়াসবির সিংহ, এসিয়ন গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট কিশোর জেনা অমসুং রোহিট যাদবনা শরুক য়ারি।

নুপীগী মিটর ১০০গী হর্দলসতা নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডার জোতি য়রাজিনা ২০২৪ ওলেম্পিক্কী সেমি ফাইনেলিষ্ট বহামাজকী চারিস্মা তেলরগা মকোক থোংবা মফম কন্নবা অৈকনবার লম্বা তৌনগদৌরি।

# কাজলনা অন্দর–২০ রেষ্টলিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি)ঃ

স্লোভাকিয়াদা চথরিবা অন্দর–২০ রেষ্টলিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মচীন তুঅখৎলল্লক্লিবী নুপী রেষ্টলর কাজল ধোচকনা গোল্ড লৌখিবগা লোয়ননা তনু শর্ম্মা অমসুং সবিতানা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৭৬কী কেটাগোরিদা চহী ১৮ শুবদা ঙায়রিবী কাজলনা চাইনাগী জিনগ্রু সুনবু ফাইনেলদা ৭–০দা মায়থিবা পীরমদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্না মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা অন্দর–২০ রেষ্টলিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তসু কেজি ৭২ অমসুং ২০২৪দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৬৯গী কেটাগোরিদসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবনি।

কাজলনা ২০২৫তা কেজি ৭২দা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং চহী অসিদগী হৌনা কেজি ৭৬তা শরুক য়াবা হৌরকখিবনি। সেনিয়র লেভেলগী থাক্তা কাখৎলকপা ঙমখ্রবা কাজলনা চহী অসিগী জুন থাদা মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোকখিবা রেঙ্কিং সেরিজ ইভেন্ট অমসুং জুলাই থাদা বুদাপেষ্টতা পাঙথোকখিবা রেঙ্কিং ইভেন্টদসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা থাইলেন্দগী পট্টায়াদা পাঙথোকখিবা অন্দর–২০ এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ্তসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

স্লোভাকিয়াদা চথরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৭৬দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অসিনা চহী অসিদা কাজলগী ওইনা মঙাশুবা গোল্ড মেদলনি। চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা কাজলনা জপানগী মিয়ু অকায়ামাবু মায়থিবা পীরল্লগা কেম্পেইন হৌদোরকখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলদা টর্কিগী ইলমিরা য়াসিনবু ১৪–০দা মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী পাইপর ফাওলরবু ৬–০দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৭২গী ফাইনেল বাউটতা তনু শর্ম্মা জপানগী চিসাতো য়োসিদাগী মখুৎতা ৩–৫দা মায়থিদুনা সিলভর মেদল ফং হৌখি।

কেজি ৬২গী ফাইনেলদসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর সবিতা জপানগী সকুরা ওনিসিগী মখুৎতা টেক্নিকেল সুপরিয়রিটিগী খুৎথাংদা ২–১২দা মায়থিবা নঙদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা সিলভর মেদল ফংখি।

নুপীগী কেজি ৬৮গী কেটাগোরিদা ইন্দিয়াগী মান্সি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ফাইনেলদা চাইনাগী চেনলিং সোংগা থেংনবগা লোয়ননা কেজি ৫৯গী রেপেচাজ রাউন্দদা কোমলনা স্পেনগী রোসা মোনিলাগা থেংনরগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান রেষ্টলর অমত্তা মেদল লৌবা ঙমহৌখিদ্রে।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com